*“চোলোম হায়বসি সংস্কৃত শব্দ ‘চলন’ দগী লাকপা ওইরবসু পুয়ানচিংবা মৈতৈগী থেঙ্গৌদগী হৌরকপা নুপা জগোয় অমনি।” - আর কে বিদুর (ৱাখল মচু মচু, শক্তম মখল মখল)*

## লেপ্লি

**—এল চিত্র**

ঐ অশিববু ঙাইরিবশিংগী মরক্তা লেপ্লি
লেপ্লি ঐ কৈদৌঙৈ করম্না শিগনি খঙদনা
পোল্লবদি শোয়দ্রবনি শিবা
শিখিবনি লাইপোক কয়া কয়া
শ্রীরাম, শ্রীকৃষ্ণ, মহমদ, যীশু কয়া কয়া
পোক্লবনা শিখিবনি, শিখিবনি পোক্লবনা
ৱারীনি হনুমানজীগী, পোকখিবনি অনজানিনা
অমর ওই হায়নৈ তাইবঙনা
গুরু দ্রোনগী মচা অশ্বথমা
অমর ওই হায়বগী
হাৎপা শকখি মরু কোকথোকপনা
পূন্নমক অসি ওইদুনসু
করম থাজনি মীওইবনা
হে অশিববু ঙাইবশিং
থাজৈ শেন্বীবা মপুনা
পীবি চহী ১০০ মীওই পুন্সি
পূন্নমক্না য়ানৈ মালেমদা লৈরিবশিংনা
অদুবু ঙমখিদে অয়াম্বনা পুন্সিবা চহী ১০০
মহৌশাগী খুদোংথীবা সুনামি, ঈশিং ঈচাও
য়ুহা হাবা, চীং নীংখাইবা, নোংলৈ নুংশিৎ
থেংনবা ঙমদ্রবা মীওইবনা
তমথীবা লাইচৎ তমথীবা লাইচৎ
ও শিগদবা পুন্সিদা
করিগী লাল, করিগী লাল?

## নীংথম অহিং

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

অহিংনা অমম্বগা মতাউ শান্নদুনা
লীরি পুঙমদ্রবা ৱারী শীংবুল
কিজজৈ অঙানবগী মীনোক মৈশা
কপ্লি হিক্লা হিক্লা মদোম তূমিন
খাঙলি নীংথমগী উলেন চৈনা
খঙবীদে উবীদে তাইবঙ কনানা।
লিক্লানা লুপ্লবা অহিংগী মায়থোঙনি
নত্তে লিক্লা অরোনবা পিরাংনি
থম্মোয় লকানুংদগী লেপ্তুনা ঈহৌরকপা
চীংখৈ ফিদুপ হুল্লকপা মতমদা
কংখিনি মাঙখিনি লিক্লা মথন্নতা
কনাসু করিসু তৌদবদু মঙায়।
অকুৎপদা লৈতৌবা অতোঙবদা লৈথোনবা
ওইখ্রমাল্লে পুন্সিগী হৌন লোনচৎ
অৱাবদা অৱাবা হাপচিল্লকই অসুম
পাউদমফমদি লৈতে অৱা মপাউ
নোং ঙাল্লকপা ঙাইজবা নত্তনা
পাম্বৈ লৈতে নীংথম অহিংগী।

## হংলক্কনু ঐঙোন্দা

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

হংলক্কনু ঐঙোন্দা
মাগী মপাউ
কয়াম নুংশিবগে হায়না,
ঙমখৈ লৈত্রবা নোংদোল
অতিয়াদা থোক্লিবা
থাজ মাবু উরগা,
পূক্নিং ৱাখল নুংওলহন্দুনা
থাজ মাতবু
ঐগী ওইনীংলুই।
কয়ারক থেমজিনখ্রবা
থম্মোয় মাবু
ঙসিসু নৌহৌনা নীংশিংদুনা
শিন্থরি পিরাং।
কাউরগে খনখিবা মীৎকুপ্তা
অরংবা থাজগুম
ঙাল্লখিবী মহাক্তো
কাউঙল্লরোই থম্মোয়না,
হংলক্কনু ঐঙোন্দা
মাগী মপাউ
কয়াম নুংশিবগে হায়না।

## কপ্লি খোঞ্জেল থোক্কনা

**—এম নিলকুমারি**

মণিপুর ইমানা কপ্লি
নীংখায়রক্লবা থিংঙমদ্রবা তুরেলগী ঈচেলগুম
ভোটসিবু লানবুংলা?
হংলি থম্মোয়দা
অনৌবা লাল মখল অমরা?
থাঙশাংনা য়াম্থরক্লবা
লানফমগা মান্নরে।
মীয়ামগী থৌগলনিদি চিন্দা লাওরি
ঈখেংলক্তা চেল্লি-অমখক্কী
ভোটকী লান্মীশিং
ওইহল্লসি অশেংবা নুংশিবা
মীয়ামগী লৈঙাক, মীয়ামগী মীহুৎ
অচুম্বনা নুংশিবনি নুংশিবনা ফজবনি
পূন্না চেনমিন্নরসি
নুংশি নুংওন্ননা।
ভোটকী মীরেপ- ওইরিবা
ওইজ ওইথক থাদোক্লো নশাগীনি খল্লুরনু
কংহল্লো ইমাগী মিৎলুগী পিরাং
থৌগল্লোইনি নহাক্কী শক্তম
নোংমৈ গুলি থাদোক্লো
ভোটনি ভোট শান্তিগী লম্বীদা লমজিংবীরো।

## ঙাওনীংলদি ঙাওহৌরো

**—সৌবাম বীরধজা**

মকোক্তু ঙবোং অচৌবনা য়েৎলগা
মকোক্তুদা মাইবগী খুয়েদা য়ৈবনি
খুদাপ চানা লৈয়েদু পায়রগা
অমুক্তং কনখিবনি মাইবগী খূফুদা
তরং চৎলিঙৈ, থাঙ থাদোইনি মাইবনা
চাওখৎত্রিঙৈ, ক্লোরোফোর্ম লৈত্রিঙৈদা।
পংহায়দা হায়নবা ওইববুদি ওইরমগনি
মানবদি মানখ্রেদা, মওং মতৌসে,
ঙবোং য়েৎলগা লৈয়েনা কনবা
কনানবু হৌদোরকপনো, মানখ্রেদকো
তোকঙা তৌবশিংগী তোকঙাশিং
য়াম্না মান্না শেমজিন শাজিন্নদুনা।
ঙাওনীংলদি ঙাওরো ঙাওরোসে
ফূবিরগে লৈয়েনা, ঙবোং য়েৎশিল্লো
অদুম ৱাখল তারক্তনা চৎখ্রদৌনি
লম্বী-সরক্তা কোক লৈখৎখিদুনা,
মসিনা শেল তিংদনা ফ্রীদা ঙাওননবা
ইচম চম্বা পাম্বৈ মখল অমনি,
ঙাওনীংলদি ঙাওরো, ঙাওহৌরো।

## মীকপ থোকপগুম তৌরে

**—জয়েন্ত সরাংথেম**

মতম কুইনা তূম্মুরবগী তুংদা
মীকপ থোরকপগুম তৌরে নচাশিংসে
হৌনদুনা লাক্লে খূৎকা-খূৎকা শম্নদুনা
পলেম ইমা নঙগী খুয়াদা
হে অপোকপী ইমা নঙবু থিরক্লে হৌজিক্তি
ইমা ইমা হায়দুনা ককঙাওনরবা নচাশিংনা।
হল্লক্লে হল্লক্লে অমুক ঐখোয়গী লাইনীংদা
সলাই তরেৎপু পোকপীবা ইমানি ইমা
মৈতৈ লৈমা ইমা
ইমা নঙনা ইকায়রম্বা কয়া মীগী মমাঙদা
হৌজিক্তি খরদা ওইরবসু কোকপা ঙস্ত্রা য়েংঙু
নচাশিংনা হল্লক্লবদা ইমাগী নাক্তা।
লায়রবী ইমা নঙ লৈরম্বদগীনি কো
নচাশিংনা মালেমগী ফজবা কয়া উবা ফংজবা
উৎলগনি মালেমদা হৌজিক্তি নচাশিং লৈরি হায়বা
মচু তরেৎকী ফিৱাল পাইহন্দুনা অতিয়া পক্লা
অমত্তা ওইবগী লীপুন্না পুন্দুনা
উৎলসনু মালেমদা ঐখোয় লৈরি হায়বা।
নাওশোন্নরবী ইমা নঙবু ঐখোয়গী ইমানি হায়বদা
ইকায়দরে হৌজিক্তি হে ইমা অপোকপী
মীগী মমাদা ইমা কৌরুবা মাঙলমচত্তা
নীংঙমদেদা কো, হে ইমা
হৌজিক্তি পুথোক্কনি মালেমদা ইমা নঙবু
ঐখোয়গী ইমানি ইমা, মৈতৈ লৈমা ইমা।
হে মৈতৈ লৈমা ইমা
নচাশিংনা অমুক ননাক্তা হল্লক্লবদা
নল্লরে কোয়দাননা মালেম লৈশানা
নচাশিংগী মরাইবক্তা
ইমা নঙনা তম্বীরম্বা ফিজেৎ চাক-চা
নচাশিংনা হৌজিক্তি শেৎলরে নৌহৌননা।
মমা কায়নরুবা ষণনাওনা
মমা উবদা চেনশিনজবগুম
হৌনদুনা লাক্লে, ইমা নঙগী খুয়াদা
মচোই মচোই তারুবা নচাশিংসে, হে ইমা
অমুক লিংজেল মান্নবগী লংলানা পুনবীরবদা
কনানা লাকচবা ঙমগনি নচাশিংবু।

## ঐগী নুংশিরবা খাংপোকশঙ

**—মেম্মা লৈমা**

হে নুংশিরবা খাংপোকশঙ
ঐগী হকচাং ওইরিবা
নঙনা ঐগী থৱায়নি
নঙনা ঐগী পুন্সিনি।
মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ
লৈবাক, অতিয়া মঙানা
চঙবা শিবগী মপোক্তা
ঐনা পোকপা মতমদা
নঙসু লোয়ননা পোল্লকখি।
মহৌশা খোঙচৎ কাইদনা
থৱায়সু হকচাংসু পূক্নিংসু
চেৎনা পুনশিন্দুনা য়োকপীখি
পুন্সি পরম কায়দনা
নোংমা নোংমগী চাউরকখি
বসন্ত অয়ূক্কী মতমদা
পূক্নিং হুরবা লৈকোন্দা
হৈনম-লৈনম চেন্দুনা
লৈকা ফন্না শাৎলকখি
হিংলকখি পুন্সি খোঙচৎসি।
তরেৎনিগী চেঙজেল পুদুনা
ঐনা নথানুংদা চাওরকখি
নরুম থুপ্না হিংলকখি
মঙাংগী মতমসু চৎখ্রে
লুৱাংগী মতমসু লোইখ্রে
হল্লকউ হায়বা য়াদনা।
তাইবঙ কৈথেলসু কারুরে
অমাঙবনা করিনো খঙদনা
অতোংবনা করিনো থিদনা
থৌনা হনখি পুন্সিদা।
ঙসিদি খুমনগী মতম লাক্লেদো
তরেৎনি চেঙজেলসু লোইরক্লে
ঐগী নুংশিরবা খাংপোকশঙ
শেন্বা য়াদনা কিন্থরক্লে
ঙাক্লা ঙাক্লা তুথরক্লে।
অরোইবা মতমনা লাক্লবদা
মতম্না ঐবু কৌরক্লে
মৈগী মৈশাসু নেমথরক্লে
ঈগী ঈচেলসু তপথরক্লে
হোল্লম্বা নিংশাসু পিকথরক্লে
পূক্নিং ৱাখলসু নীংশিংবগী শক্তি মাঙখ্রে
অরোইবা শ্বরনা ঐবু কৌরক্লে
মপুগী লৈকোন্দা তিল্লসি হায়না
হে নুংশিরবা ঐগী খাংপোকশঙ
কাইনবা তারেদো মপুগী শিন্থা লোইরবনিনা
নঙনা মালেমদা লৈহৌরনি ঐনা মপুগী
লৈকোন্দা তিনখ্রগনি।

## মতম লেনবা ৱারবা

**—ইরোম মোবি**

মতম লেনবা ৱারবা
ৱানা ৱানা লেল্লবা
মতম হৌখিনবা ঙাইবদা
অৱাবা ওইরবা মীওই কয়া
ৱানা ৱানা খাঙলিবশিং
থি থিদুনা লৈঙাক্লা
শিনফম অমমম শিন্নবীয়ু
অৱাবা কোক্কনি।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# শৈশকপা অমগী কাউঙমদ্রবা ঈশৈশিং



“কুইরে মপাউ তাদবা মাগী” নোংমা নোংমা অসুম হৌখি। লৈরম্মী মখোয় মতম অমা হিংলম্মী তাইবংসিদা । মেঙলবা থোৎলবা নুংশিরবা খোঞ্জেলনা ঈশৈ কয়া শক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌজরম্মী। লৈরক খুল্লক, মীগী সঙ্গোইদা মাঙ্গোলদা, লম্পাক্তা চাক চানফমদা,থৌরম পাংথোকফমদা মখল মখা কয়াগী ঈশৈশিং নোংঙানবা ফাওবা শক্তুনা মীয়ামদা তাহনবীরমখি। নীংথমথা লাকপসি তা-জয়কুমার (খুন্দ্রাকপম জয়কুমার) হেক্তা নীংশিংলকই। ঐহাক কাওদ্রি, ঙসিসু নীংশিংলি মহাক্কী ইঙ্খোল মতোনদা উপাক্লা ফক্লাং খাজিনবা কা অমদা অয়ুক্তা মহাকপু উন্নবা চৎখি। মহাক্কী উপাক্লা খাবা ফক্লাংগী তাইনফমশিংদা শাংনা শাংনা হোবা অদুদা নুংশিৎ চঙলক্তনবা চেজেৎশিংনা মেনশিনবা উখি। নীংথম অহিং চুপ্পা মীয়ামগী ঈশৈ শকপা চৎলুরগা নোংঙাল্লমদাই থেঙনা হেক হেক হল্লকপদা,অঙৈংবা নুংশিৎনা ফক্লাংদগী লিৎশিল্লকপা থিংনবা তা-জয়না ফক্লাংগী অহোবশিং চেজেৎনা মেনশিনখিবা ওইরম্মী। য়াম্না থৱায় য়াওনা য়েকপা লোইশিন্দ্রিবা লাই অমসু মহাক্কী কাদা লৈরিবা ইজেল (Easel) মথক্তা লৈবা উই। তা-জয় লাইসু নীংথিনা য়েকপা মীনি। মহাক্লা য়েকপা লাইশিংদা নুপীগী শক্তমদা য়েকপা লাই ঐহাক থেংনখিদ্রি। মণিপুরী সিনেমাগী লময়ানবা এস এন চান্দ (সাপম নদিয়াচান্দ) অমদি অরিবম পাবুং শ্যাম শর্মাগী স্কেটস ওইনা শক্তম য়েকপা থেংনখি । ঐঙোন্দা পীরকখিবা লৈরি ।

নবেম্বর থা ওইরক্লবদি অনৌবা ঈশৈ পুথোক্লবা থৌরাংগীদমক তা-জয়না কোইচেন চেনজরগদবনি। অনৌবা ঈশৈ পুথোক্লবা থৌরাংজবা মফমদি রুপ রাগগী ‘দ গ্রেদ টু নাইটস’ হায়বা নুমিৎ নিনী পাংথোক্লবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অসিদনি। মতম অমা চাউনা পাঙথোকখিবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অসি ঙসিদি মমি শামখ্রে । তা-জয়না লৈখিদবা মতুংদগীদি মীয়াম্না খৌরাংনা তানীংনা ঙাইনখিবা রুপ রাগগী ঈশৈ নোংমাইগী মরুওইরিবা থৌরম ‘দ গ্রেদ টু নাইটস’ মনা মনিল নাইখিদ্রে। থৌরম অমা পাংথোকপা হায়বসি থৱায় য়াওনা চেনবা,মী উন্নবা,থৌরম ওইনবা হোৎনবা মথৌ তায়। তা-জয়কুমার, রুপ রাগগী ঈশৈগীদমক য়াম্না হোৎনখি । ঙসি মহাক্লা হিংলম্বা থোক্লগদি কদায়দা করম্না ‘দ গ্রেদ টু নাইটস’ থৌরম পাংথোক্কদগে হায়বসি থৌরাং অমদি উবা ফংলগদবনি। মতম অমা ফোঙনরম্বা অনৌবা ঈশৈগী কেসেটশিং ফোঙনখিদ্রে। ঈশৈ রেকোর্দিং তৌফমশিংদা শৈশকপা অমদি ম্যুজি সিয়ান অমত্তনা খোঙ্গুল তাখিদ্রবনি। ঈশৈগী রেকোর্দিং ষ্টুডিওশিং অদুবু করম তৌরমগদবা ? ঙসিদগী চহী খরা অসিদা ওনখিবা, মাঙখিবশিংগী মনুংদা মণিপুরগী সিনেমা হোলশিং, ঈশৈগী রেকোর্ডিং ষ্টুডিওশিং অসি অমা ওইরবনি। মতম অমা মখোয়গী মফম চাউনা লৈরম্মী। মীয়ামগী অৱা পোত্থানগী মফম পীরম্মী। ঙসিদি মখোয় ঙম্নমক ঈরোন্নুংদা লুপহনবীরি। মসিগী মরমদা কনানা খল্লিদগে ?

অনৌবা থোকলকপা ইলেকট্রোনিক মীডিয়ানা লাকশিনবীখিদুনা ওন্থোকপা মওং অমদা মতম অমগী থৌরমশিং নীংশিংবীদনা লৈরি। পোৎলম খূদিংমক মোবাইল ফোনদা য়াওশিনখিবদগী অহিংবা আর্টকা মরী লৈনবশিং হিংনা হিংনা থৎখ্রে। মসি চাউখৎলকপনা পীবা কান্নবনি হায়রগসু পোৎলম পোৎশক অমগী অশেঙবা মহাউদি ফংবা ঙমদ্রি। য়ানা শায়রগা মহাউ খঙনা চাজগদবদু নোজ ফিদিং তৌবগা মান্নবা মওংদা ঙসিগী আর্টকী পোৎথোক পোৎশক খূদিংমক ইলেকট্রোনিক্কী খায়াৎতা তারি, মখোয়গী পোৎথোক ওইশিনখি। ঐখোয়না লাইরিক তমলকপদা সাইন্স অমদি আর্টস হায়না স্ট্রিম লাইন অনী খায়রকপদু হৌজিক্কী মতম অসিদা লমদমসিদা অমগা অমগা য়েৎশিন্নবগুম উরকই। আর্টসকী পোৎলমসু সাইন্সনা লৌশিল্লক্লি । শৈফমদা তাগদবা ঈশৈ গাড়ি থৌনা থৌনা গাড়ি মনুংদা তাবা, উবা ফংলক্লি । ফম্বাক্তা শারিবা জগোয় হোলদা, থিয়েটরদা চৎলুদনা যুমদা ফল্লগা য়েংবা য়ারক্লি। লাইরিক তম্বা ফাওবা স্কুলদা মহৈশঙদা চৎতনা, যুমদা লৈরগা ওন লাইন ক্লাস হায়দুনা চহী খর অসি তম্নরক্লি । কোন-লীক ফেঙনা ফেঙনা, থবক অমা তৌনা তৌনা মফম অমদগী হেক্তা ইনাক্তা মোবাইল থল্লগা ওন লাইন ক্লাস য়াওবা য়ারে, খন্ন নৈনবা শরুক য়াবা য়ারে। মসিগী কান্নবা কান্নদবা অনীমক লৈ। মফম মতমগী য়াদবগী তৌনবনা অমনি। থৌওইনা অতম্মনা, মসিনা অফবনি, চাউখৎলবনি হায়না হেকমক পাংথোক্লুরগদি মাঙজবনা হেনৱা হায়না খল্লকপা মতাং লৈরি ।

খুন তা-জয়কুমার মীয়াম্না খঙনখিবা লৈপাক্কী শৈশকপনি । মহাক মশানা ঈশৈ শক্লা শক্লা থৌরমগী এঙ্গরসু ওই। ফম্বাক লীলাগী অচঙবা এক্তর ওইরমখি। মহাক্লা কুম্বা ড্রামাদা মশানা ঈশৈ শক্তুনা প্লেবেকসু ওইখিবা সোসাইটি থিয়েটরগী ঙবোং খাও ঙসি ফাওবা মীয়াম্না নীংশিংলি। মহাক্লা শৈপান্দুনা শকখিবা ঈশৈশিং , “থম্না খেঙ্গোংনা পোমজৈ, থম্বালনা শাৎলি পুমবুম..” ইনৌ নৌরি, মীয়াম্না তানিংলি। মণিপুরী সিনেমা কয়াগী শৈশকপনি, শৈপানবনি। রেডিও লীলা খরদা মশানা কুমজদুনা ঈশৈ ফজবা কয়া অমসু শকপীরমখি। কোন্বীরৈ ফিল্মগীদমক মহাক্লা শকপীরম্বা ঈশৈ -‘য়ারল পাৎকী কোন্বীরৈ’ ঙসি ফাওবা তানিংলি। লমজা পরশুরাম,ওল্লাং থাগী ৱাংমদসু, শম্বল ৱাংমা, মৈচাক মৈচাক অমদি অতৈ ফিল্মশিংগী ঈশৈশিং ঙসিসু তানিংলি। মহাক্লা কুমলম্বা রেডিও লীলা খরগী কাউঙমদ্রবা ঈশৈশিং- ‘য়ুরিদিস অসুক মল্লবা লম্বী অসিদা নহাকপু কদায়দনো’, নীরুপমা রেডিও ড্রামাগী ঈশৈশিং - ‘কদায়দনো ঐগী য়ূমবো’, ‘কনা লৈতে ঐগী তাইবঙসিদা, ইতোমতনি ঐদি সংসারসিদা, ইদোম লাকপনি তাইবঙদা ইদোম হনখিনি তাইবঙ ৱাংমদা ..। নঙ ঐ মহাক মখোয় মরি লৈনদে কনাসু ঐগা ঐসে নখোয়গী য়েক্লবনি পূন্নমক্কী য়েক্লবনি . পামদে ঐবু পামদে ঐবু হিংহনবা মখোয়না ইমানসু ইপানসু পূন্নমক্নসু অদুবু মহাক অমখক্তদি লৈৱ্রা খল্লি ঐগীদমক তাইবঙসিদা ..য়াওৱ্রা ঐগীদম্কতা খনবা মহাকতো ময়াম মরক্তা নিরুপমা কৌবী মহাক্তো । থিরিবনিনে মহাক্তবু ঐনা, খোঙ্গুল লীরিবনি মহাক্তগী, কৌরিবনিনে নিরুপমা নঙবু ।”

মতম ঈশৈদা খুন-জয়না শকখিবা ঈশৈসি য়ামখ্রে। কাউঙমদবা ঈশৈ অরাঙবা ঈশৈদগী হৌরগা মখল মথেল কয়ানি। খোন্থোক চুম্না, লূম লূম লাওনা নিপা মান্না শৈশকখিবা অমনি। অসুম্না মীয়াম্না পাম্নখিবা ‘ফোর ইভর জয়কুমার’ হায়নখিবসি ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফালনা শক খঙলবা (এপ্রুভ তৌবা) শৈশকপা ওইখিদে । রুপ রাগগী মিংদা রেডিওদা ঈশৈ কয়া শকখি। খুন্দ্রাকপম জয়কুমার হায়রগা মহাক্কী অশেঙবা মিংদা মহাক্কী ঈশৈ লৈখিদবসিগীদমক য়াম্না নুংনাংখি। মহাক্কী পূন্সিগী লোইরমদাই হকচাংগী ফিভম ফৎলকত্রবা, ৱাখল মচোয় মচোয়রবা মতমদা মহাক্লা পামজখিবা ওল ইন্দিয়া রেডিও অমদি দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালদা ঈশৈ শকপা ফংলরোইদবনিনা অমুক অমুক্তংদি অরোয়বা ওইনা চঙলমগে হায়দুনা ফাম্সাংদা হিপ্লগা ঙমদনা লৈরম্বা মীকুপশিংদো ঙসি মহাক্লা লৈখিদবা মতম অসিদা নীংশিংলকই। মহাক্লা লৈখিদবসি নবেম্বর থাদনি।

খুন্দ্রাকপম জয়কুমার ময়ামগী খুন জয়কুমার,ওঝা অহৈবম বুদ্ধচন্দ্র অমদি অরিবম শ্যাম শর্মা অনীগী অচানবা শৈশকপনি। শৈশক শৈদা অমদি শৈপানবদা য়াম্না নুংগী মশক খঙনা শকপা মীশক্লি। ময়েক্লা করি হায়রি হায়বা খঙনা শৈপানখি। ড্রামাটিক ইমোসন, মুদ, ফিলিংস হাপ্লগা শৈপানবা হৈ। মশক নাইবা শৈশকপা শৈপানবশিংদি মওং অসি খঙনা ঈশৈ শেম্মী। খুন্দ্রাকপম জয়কুমার, খুন্দ্রাকপম তম্ফামণিগী মৌপ্পানি হায়বসি অখঙবা খরনা খঙবীবগী ৱানি পাক শন্না খঙনবা ৱাৎলি । তা-জয়কুমারগী মতাংদা ইচে তম্ফামণিনা , ‘ঈশৈদি ঐনা শকই, পারাদি মহাক্লা ফাই’ হায়বীরম্মী। ইচে তম্ফামণিনা ঈশৈ তম্বা চৎপদা তা-জয়কুমার পুরগা চৎলি। ইচে তম্ফামণিদা ওঝানা তাকলকপা ঈশৈগী পারা ময়েক তা-জয়কুমারনা চিনফা পুরকই। কাওথোকখিবা ঈশৈ ময়েক, সুর তা-জয়দা হংলগা ইচে তম্ফামণিনা শকই হায় । ইচে তম্ফমণি লাইরিক ময়েক চৎতে। ঈশৈ ময়েক পাবা থোক্তে। মীনা পাবীবা তারগা চিনফা পুরকপনি। মরম অসিনা ইচে তম্ফামণিনা ড্রামা য়াওবদা ঙাঙগদবা ডাইলোগ, ঈশৈ শক্কদবা ওইরগদি তা-জয়না চিনফা ফারগা ইচে তম্ফাগা ঔরাইমিন্নৈ। মসিগীদমক পারা ফারক্লবা তা-জয়কুমারনা ইচে তম্ফাগী মতুং ইল্লি। মতৌ অসুম্না য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী ইচেগী মতুং ইল্লকপনা তা-জয়না ইচে তম্ফানা শক্কদবা হায়গদবা ডাইলোগ খূদিংমক চিনফা পুরগা লাকখি। ইচেগী মতেঙ পাংখি। ইচে তম্ফানা কাউখিবদা নীংশিংবীবসি তা-জয়না অঙাং ওইরিঙৈদগী ওইরকখি হায়না ইচে তম্ফানা হায়বীরমখিবা লৈ ।

ইচে তম্ফানা রেডিওদা শকপা, মীয়াম্না পাম্না তানখিবা ঈশৈ অমা, “লৈনা নোং ওইনা চুরবা মফমদা, নঙনা নোংমা লাকখি। থৱায়সিনা করিগুম্বা নামিবা ওইরম্লবা,ঐনা কয়াদা পেঞ্জরমগদবা।” ঈশৈ অসি তা-জয়নসু করিগুম্বা শৈফমদা য়াম্না অখন্নবা অমা ওইনা হেক হেক শকই। ঈশৈ অসিমক্তি ইচে তম্ফানা শকখিবা ঈশৈনি। তা-জয়গী খোঞ্জেলদা, খোন্থোক্তা ইচে তম্ফাগা মান্নবা খোন্থোক য়াওই। তা-জয় ঈশৈ শকপা মতমদা শৈফমগী মতুং ইন্না ঈশৈ শকখি । করিগুম্বা শৈফম খরদদি য়াম্না চেকশিন্না মায়থোং মকশিন্না নোক খেদনা শকখি। মহাক অশেঙবা কলাকারনি,এক্টরনি,আর্টিষ্টনি । মহাক্লা মখুৎনা ইরগা পীরম্বা খুৎয়েক্তা হায়রম্মী “ঐহাক শিরগে হায়বসি হেক্তা য়াদে ”। ৱাহৈসি করিগী মহাক্লা হায়খিবনো। অশিববু মহাক্লা করিগী পামখিবনো? মশানা মশাবু শিজনবা করিগী হোৎনখিবনো? ৱাহংশিং অসি ঐহাক্লা ঙসি মহাক্লা লৈখিদবা মতম ওইরকপসিদা নীংশিংলকই। পাউখুম থিবদা থাপ্না নাকোংসিদা তারকই- “ নুংশিবা হুনি ঐনা হান্না খঙলম্লবা করিগী ঐনা খোইদারুনি।”

*—মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-১২৫

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

(হান্নগী মখা...)

মোংশোংগী মরুমদগী নুপা অমা মখোঙ হাইনা থোক্লক্তুনা লম্বীদা হাইর-হাইরদুনা চৎখৎলকই। নুপা অদু থৱায়না চানবিবা অমদি অশাউবনচিংবা সাহিত্যগী গুন কয়ানা নারবা মীশক অমনি। নুপা অদুগী ৱাফম কয়া যু থকফম শঙদা ঙাঙন-শক্নরকই মদুদি ঙাইহাক্কী মমাংদা ভুট থোকই হায়নরিবা খোংনাংগী মমাংদা লৈরিবা লম্বীগী মতাইদা থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদুদা মীওই খরনা মঙোন্দগী করিগুম্বা খরা হুদুনা পুখ্রে। মদুগীদমক মহাক্লা পুলিসতা রিপোর্ট অমা ইরুনবা চৎলিবনি। মহাক্লা থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো মচা খায়না খঙনবা হোৎনগনি।

জোগনাথকী মখোং ময়াদা নুপা অমা লৈমায়দা ফমদুনা লেপ্পা লৈতনা যু থক্তুনা লৈরম্মী। নুপা অদুনা হায়রকই “নখোয়গী খুঙ্গংদা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্লিবসি য়াম্না লানবা ৱাফমনি শাফবা! মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনা কাতু-কারন চৎতুনা নুমীৎ তাবা ঙাইদুনা নুমীৎ হেক তাখিবগা অসিগুম্বা থবক অসি হেক্তা তৌই। অসিগুম্বা থবক অসি করিসু কান্নদবা পোৎশকনি। চুমদ্রা ঐনা হায়রিসে জৱান? করি হায়নিংই?”

জোগনাথনা শুপ্নগী মকোক নোম্মী অদুগা দুকান্দার অদুবু কৌরদুনা হায়, “তংখায় অমগা পুরকউ! নঙনা য়ারগনা ফ্রিন্দা পীরকলো।”

ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা মখোয়শিং অদু মখোং হাইর-হাইরদুনা যু থকফম শঙ অদুগী পর্দা হায়দোক্তুনা থোক্নরকপা মতমদা লম্বী অদুদা শিগদবা মাল্লবা চরাম-চদৎনরবা হুই অমা-অনী লৈরম্বা নত্তনা অতৈ কনা অমত্তা লৈরমদ্রে।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা মখোং হাইর-হাইরদুনা থোক্নরক্লম্বা মীওইশিং য়াম্না চম্বা মীওইগুম্না য়াম্না তপ্না-ঈংনা চৎলি। অদুবু মশানা তৌরিবা থৌওংশিং অদুদি মশা-মশানা খঙনরমদে। হল্লকপা মতমদা মীওই অদুগী থম্মোয়দা লৈরম্বা পেন্দবশিং অদু লোয়না কোকখিদুনা লাইনিং-লাইশোনদা হেন্না থাজবা ওইরকখি। মরমদি পুলিস ষ্টেসন য়ৌদ্রিঙৈ মমাংদা ইন্টলেকচ্যুল পর্সন অমনা মহাকপু তাকপী-তম্বিরমখি :

“রিপোর্ট ইরগা করি কান্নগদৌরিবনো? চৎখ্রবদি চৎখ্রে, মাঙখ্রবদি মাঙখ্রেদনা। মাঙখিবা পোৎপু অমুক হন্না ফংবা হৌনৱা?”

“নঙ হিন্দুরা নৎত্রগা মুসলমানলা ? হিন্দু ওইরগনা কর্মবু থাজবা নৎত্রা? নহাক্কী কর্মদা মসিগী লুপা ৪৫ অসি ইরম্বা নত্তে। হৌজিক কোয়চেন চেনবনা করিসু কান্নরোই। ইশ্বরনা সুম থোকউ হায়না তল্লম্বনা থোকপনি।”

“চৎলো য়ারে, নথৱায় হিংহৌরিদু য়াম্না ফরবনি। চহী খুদিংগী মফম অসিদা মী অমা নৎত্রগা মী অমদি অদুমক মঙক কক্তুনা হাৎপনি।”

“রামগী মীং শোল্লদুনা নয়ুমদা হল্লো অদুগা যুম য়ৌরগা সতনারয়নগী ৱারী তাউ। কেসতা চঙগদবা শেনফমদো লাইনিং-লাইশোন তৌবদা ওইনা শীজিন্নরো।”

“অশাবা শঙ্গোমদা য়াইঙঙগী পাউদর থাদদুনা থকউ অদুগা নুংঙাইনা তুল্লো, অয়ুক হৌগৎলকপদা লোয়না কাউরম্লদবনি।...”

২৭শুবা তাঙ্কক-

মতম অমদা ফিলোজোফরশিংনা লাই লৈ অমদি লৈতে হায়বগী মরমদা য়াম্না মরৈ য়েৎনরমখি। হৌজিক্লা গেহুগী মতাংদা ওইনা মরৈ য়েৎনরে। ফিলোজোফর খরগী মোতনা লৈবাক অসিদা গেহু য়াম্না মরাং কায়না লৈ, অদুবু ললোনবশিংনা লমহেনবদগী বাজারদা য়ৌরক্তবনি। অতোপ্পা ফিলোজোফর খরগী মোতনা গেহু কৌবা পোৎশক অমত্তা লৈতে, করিগুম্বা গেহু কৌবা পোৎশক অমা লৈরম্বা তারবসু লৈবাক অসিদদি লৈতে হায়বসিনি। য়েৎনরিবা মরৈ অসি শিবপালগঞ্জদসু নুমীৎ খরনিগী মমাংদগী য়ৌরকখ্রে। মরৈ অদু শিবপালগঞ্জ য়ৌরকখিবা মতমদদি গেহুগী মথক্তা শঙ্গোম, দহি অমদি ঘিগী ৱাফমসু য়াওশিল্লকখি।

অসিগুম্বা চাবা-থকপা ফংদ্রবা মতম অসিদা মতৌ করম্না করি চারগা অমদি পীজরগা রেসলিং শান্নগদৌরিবনো? চহী খরগী মমাংদা খুঙ্গং অসিগী নহাশিংনা হকচাং শাজেল অমদি কুস্তি শান্নরুরগা তপতাগী ৱানা হন্নরকপা মতমদা য়ামদ্রবদা চানা ফাওবা তিংলগদি চান্নরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি মদুসু ফংনরকখিদ্রে। মরম কয়াশিং অসিনা মরম ওইদুনা খুঙ্গংগী নহাশিং শোন্দম-নাদম্বা ওইবা নত্তনা অতোপ্পা ৱাফম অমত্তা লৈখিদ্রে। খুঙ্গংগী নহাশিং অদু শেগায়-তুগায়বা অয়াকপা মচুগী কুর্তা অমদি পায়জমানশিংগী মতেংনা মখোয়গী শোন্দম-নাদম্লবা হকচাংশিং অদু কুপশিন্নবা অমদি হকচাংদা শদোং য়াওদ্রবসু মথবাক্তা সায়রা বানুবু নুংশিনা কোন্দুনা পুন্না লৈমিন্নিংবগী ৱাখল্লোলদা খুঙ্গংগী লৈরকশিংদা ৱা মহি পিৎ-পিৎ কামথোক্তুনা অশা অমত্তা য়াওদনা কোইচৎ চৎতুনা লৈনৈ। মখোয়শিং অদুগী মরক্তা করি-করিগুম্বা মতমদা লৌফমশিংদগী-কারখনাশিংদগী অমদি জেলদগী লাকপা মীওই কয়া অমসু য়াওরি। অদুবু মীওই খরসু মফমশিং অদুদা চৎপদা চিংনবসু য়াওদবা নত্তে। লোয়ননা মখোয়গী মরক্তা মফম অদুদা লৈবা কোলেজশিংদা দেসি এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংনবা চৎপসু য়াওরি। হায়রিবা কোলেজশিং অসি অয়াম্বনা কনাগুম্বা মফম অদুগী মীয়ামগী লুচিংবা অমগী মীংদা এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংনবগীদমক অমদি তশেংনা হায়রবদা বিধান সভা অমদি লোক সভাগী মীখলশিংদা কান্নবা ফংনবগী পান্দমদা লিংখৎপা কোলেজশিংনি। মখোয়গী মরুওইবা মঙলানদি ওজাশিংগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংহন্দবা অমদি লৈঙাক্লা পীরকপা গ্রান্টশিং অদুবু চাথোকপনি। কোলেজশিং অসি শুপ্নগী ফেসন অমদা খুঙ্গংদা কোলেজ অমা লৈ হায়বগী মীংদা তুং-মাং য়েংদনা লিংখৎতুনা চলাইনরিবা ঙাক্তনি। অদুগা ৱাফম অমনা কোলেজশিং অসিদা তল্লিবা মহৈরোয়শিং মখোয়গী হৌরকফম কাউদুনা অমদি থাদোক্তুনা কৈদৌঙৈদা অৱাংবা থাক্তা চৎপা ঙম্লোই অমদি অচৌবা থবক তৌদুনা অমসুং বিজিনেস কয়া মখোয়-মখোয়গী খুৎতা লৈরিবা মীওইশিংগী রাইট মাঙহনবা ঙম্লোই অমদি কোলেজশিং অসিদসু অকায়বা অমত্তা পীরক্লোই হায়বসি মখোয়গী অচেৎপা থাজবনি।

অমবু ওইরো অমবু ওইরো অসিগুম্বা ৱাখল্লোলশিং অসিনা মরম ওইদুনা শান্ন-খোৎনবগী লম্বী মাঙশিল্লক্লে অমদি খুঙ্গংগী নহাশিংগী হকচাং ফগৎলকপা অদু মখোয়গী ৱাখল্লোলগী মতুংইন্না দিভেলপ তৌবা হায়বদু ওইরে। অসিগুম্বশিং অসি য়েংলুরগা শিবপালগঞ্জদা হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা শান্ন-খোৎনবগী মফম অমা লৈদুনা মফম অদুদা নহাশিংনা চাং নাইনা শান্নবা চৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমা ওইনা লৌনরে। ৱাফম অসি অমুক হন্না হায়বগী মথৌ তাদ্রে মদুদি পূন্নমক অসি বদ্রি শাফবনা মরম ওইদুনা ওইরকখিবনি। মহাক চহী কয়াদগী হকচাং শাজেল তৌফমদা চৎতুনা হকচাং শাজেল তৌই, মহাক্লা নহাশিংবু কুস্তি শান্নহল্লি অদুগা করিগুম্বা শান্নরোইশিং অদুনা শান্নমিন্নরিবা অতোপ্পা শান্নরোই অমগী হকচাংগী শরুক অমা শাথিনা শোকহনবা ঙল্লবদি শান্নরোই অদু মপুং ফানা কুস্তিগী মশাফবা শান্নরোই অমা ওইরে হায়না লৌই। নুমীৎ কয়ানি হকচাং শাজেল তৌরদুনা অমদি কুস্তি শান্নরবা তুংদা অতোপ্পা কুস্তি শান্নরোই অমবু মায়থিবা পীদুনা যুমদা হন্নরকপা অদুনা শান্নরোই অদু কনভোকেসন প্রোগ্রামদগী দিগ্রিগী সর্টিফিকেট ফংলদুনা লাক্লবনি হায়না লৌনৈ।

কুস্তি শান্নফম অদুদগী শান্নরোই নুপা অনী মশা নোম্ল-নোম্লদুনা থোক্লকই। নুপা অনী অদুগী মনুংদা নুপা অমনা বদ্রি শাফবনি অদুগা নুপা অতোপ্পা অদুনা পিক্তু শাফবনি। মখোয় অনীমক্কী মকোক হুমাংনা পুমলুপ লুপ্লম্মী। মখোয়গী মশা অদু হুমাংগী মতেংনা লৈবাক্লা পলষ্টর তৌশিনবগুম্না পুমতৈ তৈদুনা লৈরম্মী। মঙকশমগী তুং থংবা শরুক্তা হেপোপোটামসকী মতৌগুম্না মুরুম-মুরুম শৌনা তৌংখৎলগা লৈ। মখোয় অনীমক শামুদা ফি য়েৎশিনবগুম্না মশাদা ফী অমমম খক য়াল্লি। মফি-মরোন কোম্বা হায়বদু ওই। অদুবু আর্টকী মীংদা হেনরি মিলর অমসুং দি ঐচ লোরেন্সকী ফী কোম্বগী মওং অদুগা য়েংনরুবদি মীয়াম্না মখোয় অনীগী মতৌ অদুদা কনা অমত্তনা করিসু ঙাঙন-শক্নদে। মতৌ অদুম্না ইন্দিয়নশিংগী হকচাং শাজেল তৌফমশিংদা হকচাং শাজেলগী মীংদা শাফবা অনী অদুসু হকচাংগী কয়াৎ কয়া উৎপদা অয়াবা অদুমক পীরি।

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**